# তস কমদৌই!

**অমরজিৎ খাঙেম্বম**

**ইমাইপেমা** করিনো মহা অরোইবীনি মানা খঙদবা-উদবা অমত্তা হেক লৈতে হায়বা য়াই। ঙাঙবা শকপদনা মরোল অমা মরিক চূন্লিবা। মানবু ৱা ঙাঙনি কা হায়রবা ময়ামসে থওইনা চাকঙন চাদুনা ঙাইবা য়াওনরিনি। মিটিংদকা ষ্টেজ মথক্তা মাবু কাখৎখ্রবা মীশিংসে পুংশুম হেক শুমদুনা ঙাঙবগা, শকপগা, নোকপগা, থৱাই তাদবা কনা অমতবু য়াওরম্লোই। অদুনা মোইগী পার্টিগী ৱা ঙাঙনবগী ৱাঙাঙলোই ইংলিসতা হায়রগনা স্পোক্সপার্সনকা হায়দু হাপলিনি। ৱা ঙাঙবা হায়সিসু পাক হেক য়াপোৎনত্তে মরম খঙদনদি। অদুনা মশানা খরসু হোৎনজরম্বা য়াই। মাগী মাগী চান্না চান্নবা গুন অমসু লৈতেংলিনি তাইবঙ শেম্বীবা মপূনা পীরকপা খুদোলনি হায়গদ্রা। অদুনবু ইপা ইপুগী হায়নরিদুনি য়োংচাক্কা অলুগা ইরোনবা, পানগা থাংজিংগা ইরোনবা, সোইবুমগা ঙাক্রাগা থোংবা হাওতে হায়বা মীদুদি লৈরম্লোই খল্লি। মাগী মাগী চান্না চান্নবা হায়সিসু লৈতবা নত্তে ইরোনবনি হায়রগসু অলুগা থাংজিংগা ইরোনবদি খরা অদুম মৱাৎলি মহাও, অদুনবু পানগা থাংজিংগা হায়নরিবা নৎত্রো। ৱা ঙাঙদুনা মীয়াম্বু নুংঙাইহনবা হায়সিদবু মীয়ামবু শুক্ষৎপা নোকহনবগী মথৌ তাই অদুদতা মীয়াম্না পেন্দৌরিনি। ঐখোয়গী অঙ্কলনা ঙাঙবা ৱাসিদি করিদা হায়রুরনি তানিংবনা। আই এস টি ভিদা ঙাঙলে নুংঙাই, রেদিওদা ঙাঙলে নুংঙাই, মিটিং তৌফমদা ঙাঙলে নুংঙাই, লৈবাক্কী ওইবা ৱা ঙাঙলক্লসু অদুম পেল্লি, থবক তৌথোরকপদা ওইরে অপেনবা ঙাক্তা, নুংঙাইবগী নুংঙাইবা, অপেনবগী অপেনবা ঙাক্তা মানা তৌরিসি। মীনা চহী ১৫ চঙখিবদু থা ১৫ খক চঙহনগনি মহায়বা তাবা নুংঙাই পেল্লি। থবক তৌবদসু শগোল অয়াংবীদুনকাদি হেলহল্লোই হায়বগী মতানি, মৌ অনৌবী কচানি। নুমিৎ চাম্মগী মনুংদা তৌখিবা থবক্তুনা কা মরোল অমা য়াল্লিবা। কয়াদি য়াল্লে চহী ৫ দগদি মহা অরোইবীনি পুরা অনৌবা মঙাল অমদি শোয়দনা ঙানদৌরিনি ঐখোয় শ্বাইসি। শিবু শিদ্রবা শোয়দনা নুংঙাইরকখিনি, উরকখিনি অনৌবা লমদম অমা। ঙাইখিবা তারি মতম অদু য়ৌদ্রিফাওবা, ঙাইখিসি থোকঅবা অমা লাক্লনি।

অহাওবা এঞ্জাং মথেল মপা চানা শিল্লগা অসুক কন্না শেম শাদুনা হোৎনরিববু করিগী হাওরোই। হাওসু হাওহন্নীংই। অদুনা থুম খজিক্তং ৱাৎলসু হাপ্পা তাবনি, মোরোক ৱাৎলসু হাপ্পা তাবনি ওইনম্বা মহাও অদু ফংনবা। অদুদতা খুবীকাসি চিকখায়দৌরিনি। ফনা হাওরে



হায়রিবা এঞ্জাংদো খুবী চিকখায়দ্রদি মহাওদু য়ৌদ্রিবনি। ভোট মমাঙদা অনৌবা চাকখুম অমা লাক্লনি, হাওরা হাওরবা এঞ্জাং থোংগনি হায়দুনা ষ্টেজ মথক্তা হায়খিবা, বেন্নরদা থেৎতুনা থোংগদবা এঞ্জাংগী মেনিফেষ্টো মথেলগী লিষ্টতা হাপখিবা এঞ্জাংদো ফনা য়াম্লবসু চাউরা-চাউরবা মীয়াম্নসু পাম্নখিবা মথেল অনী অহুমদি য়াওখিবগুম তৌবনি। চাকখুম অনৌবদি হোংদবা য়াররোই হায়দুনা নম্ফুদা শিন্নবা হোৎনরকখিবদু মহাভারতকী লান হায়দুদি কচানি। লানগী মীচং খোম্নবা আসামগী ভয়াজিনা ফাওবা মহাক্কা নক্করে হায়না লৌশিল্লগা মীচং হান্না খোমদুনা থম্বগী পাউ তাখ্রিবদুনি। অসিদসু নত্তে লৱাই লেম্ফু য়াওনা পঙলকখিবা মতেংদুনা ঙসিদি চাকখুম অনৌবদি নমদনা শিনখ্রে। মীয়ামদসু মথেল কয়া অমা পীজবা হৌরে অদুম মীয়াম্নসু পাম্না চানরি। অদুবু মীয়াম্না চানীংবা পীজগনি হায়রম্বা লোক্তাক্কী মথেল, থবক হাপ্পগী মথেল, শেঞ্জা থুমজাগী মথেল, ফজনা হাওনা ইথোং থোংদবগুম তৌরি। মীয়ামগী থৌগল ফনসু কুইরবনি তৌরক্লিবা, মীয়ামগা পূন্না লৈমিন্নবসু ফনা কুইরে অদুনবু থবক অসুক চিল্লবা মতম অসিদা মীয়ামগা লৈমিন্নবা পাম্বগীদমক নৎত্রো পিপলস দে থমখ্রিবদুনা শাখিনি। অদুনা উরমগনিদা তারমগনিদা, পীজনীংদ্রো লোক্তাক্কী ঙা, য়াম্না পীকপা থবক হায়দি পৈশা লৌরগা নুংশা য়াইহনবগী থবক (ইকায় খুম্নদবগী হায়জবা নত্তে) চঙনবা লুপা লাক্ষ ৫/৬ লৌখিবা, অকনবা মীসু নত্তবা অনাবা মীগী থৌগল তৌজগে হায়বগী নুংশিখ্রবা শিনফমদুদা লৌখিবা লাক্ষ ১৫/২০ অহাওবা মথেল ঙাক্তা নৎত্রো। অচৌবা অহাওবা মথেলনি হায়দুনা হান্না চাকখুম পূনমিন্নরম্বা ওইবনা মনুংদা থোঙলসি হায়না য়ানদুনা থমখ্রবরা। নৎত্রগা থোংনবা রেদি তৌদুনা থল্লিব্রা। মীৎনা উবা নত্তবনিনা হায়বা ঙমজদ্রে। হান্নদগী হৌনা মীয়ামগী থৌগল তৌরক্লিসি কুইরে। মীয়ামগা চৎমিন্নবা য়াম্না পামজখিবনি কনানা করি তৌরি, করি তৌখ্রে, খঙলগা মচা মশু খরা হায়দি লিশীং ১/২ চারুবগী সস্পেন্দ অপীকপনা হুরানবনা দষা, অচৌবনা হুরানবনা লোৎশিনবগী লমদম অসিগী ঈদা পাকখ্রবা ফত্রবা অমোৎপা অসিবু শেংদোকপা ঙমখিদবা অসি মীয়াম্না পামফাত্তে অমোৎপদু ফজনা চুমথোক্তুনা থম্বীবা য়ারোইদ্রো। অহানবা পান্দম চীংদা চৎলু চৎখ্রে ৱাশক ঙাক্লখ্রে। ৱাৎলিবা ৱাশক ঙাকপীয়ু। ঙরাং করি তৌখ্রে, হয়েং করি তৌরক্কদৌরি খনবদা নুংঙাইবা পাউ তানীংদুনা পাউচে পানীংবনা নোংঙানবা ঙাইঙমদবা মী কোকথোং অমা লৈরি। ঐখোয় কাকাদি বি জে পিবু পাম্লুবগীরা খঙদে মহাক্তী পাউচে থিল্লকপা মীদুদা খরা ঙন্না লাকউনে হায়বা ঐ তাহৌই। মীয়ামগা মীমান্নদ্রবা ওইদুনা চৎপসু ঙমদ্রবনিনা পাউচেদনি মহাক্লা ঙাইজরিবা। ঙাঙখিবা ৱা, শকখিবা ৱাশক ঙাকপা মীবু মীয়াম্না পাম্নদবা লৈতে অদুনা নুংঙাইবা পাউ তানীংবনা নুংঙাইবগী ঙাইবা ঙাক্তনি মীয়াম্না। অদুনা হাওনবা থোংলিবা মথেলশিংসে হেন্না হাওবা মথেল অমা ওইহন্দুনা খুবী অসি হেক চিকখায়হন্দুনা 'তস কমদৌই' হায়হল্লদি মীয়াম অসে পুংপেন হেক পেন্দৌরিনি। মীয়ামগী য়াম্না খনবা মী ওইখিদাইনে, মীয়াম হরাউহনবা য়াম্না পামখিদাইনে, হায়হল্লু কৈনো ৱাহে অসিমতংদি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## অশেংবা লায়রবদা নফসাগী চেঙ ফংহনবীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ইন্দিয়া** লৈঙাক্লা লৈবাক অসিগী লায়রবা মীয়াম্বু চরা হেলহন্দনবা য়াম্না ফজরবা থৌশিল ওইনা নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট হায়দুনা চেঙ কিলো অমদা লুপা অহুমদা ফংহনবীরে। য়াম্না ফজে য়াম্না থাগৎনীংঙাইনি।

লৈবাকসিগী চরা নাম্মতা চাদুনা লৈজরম্বশিং মবুক থন্না পীজবিরে। অদুবু য়াম্না চমম্নবা অমদি কিনিংঙাই ওইবা ৱাফম অমনা লুপা ৩ দা কিলো অমগী মমল ওইনা লৌরিবা চেঙ অসিবু ফংহন্নবা লায়র-অনং মীশক খনবদা অশোয়বা অমা লৈরে। য়াম্না শাথিনা লায়রবা মীওই কয়াবুনা অমদি মকোক মরু পান্দ্রবা মরল মথুমসু লৈজদ্রবা ৱানা চরা অমতং তানজবদা ৱারবা লোয়ননা মচা অপীকপা কয়াসু য়োকচরিবা মীওইশিংবু নুংঙাই য়াইফবা ইমুং ওইনা হুন্দোকপীরম্লে।

অমরোমদা, লৈঙাক্কী তলব চারিবা, চাবা ফংদবগী অৱাবা হায়বদুদি ওইদ্রবা মীওইশিংবুনা লায়রববু পীজগদবা কিলোদা লুপা অহুমদং পীবা চেঙসি পীবিরি। মসি কনানা শোয়হল্লিবনো? অৱা অনং নংলিবা লায়রবশিংবু লুপা অহুম পীবা চেঙ অসি ফংনবা শিনবীয়ু। মখোয়সি উবদা থম্মোয় কায়নীংঙাই ওইরে।

লোকলগী অতাঙবা চেঙগী মহুত্তা খরা হোংবা চেঙ মখলসি ৱানজনবা তৌবদুসু কৈথেলদা, দুকান্দা ফংদবদগী শাথিনা লায়রবা, চাজেনবী লুখ্রাবী কয়াদি হান্না ৱাবদগী অমুক্কা হেন্না অৱাবা হায়বদু ওইরে। লু কোকপদা লেন তাবা হায়বদু ওইরে।

মরম অসিনা অসিগুম্বা অৱা অনং তারবা মীওইশিং অসিগী অৱাবা কোক্লবা পাম্বে অমতং লৈঙাক পায়রিবা ইবুংঙো ইবেম্মখোয়না শিনবীরবদি হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎচগনি।

*অদোমগী - ৱায়েনবম তোমচা*
*মোইরাং কম্পু খেৱা বজার, ইম্ফাল ইষ্ট*

## য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জাবেদকরগী এদ্যুকেসন্দা থম্বীবা মিৎয়েং

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**য়ুনিয়ন** মিনিষ্টর জাবেদকর, ইকায়খুম্নজরিবা মণিপুরগী সী এম, ঈ এস, সেন্তরগী জোইন্ট সেক্রেটরি অনী, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি, এদ্যুকেসন (এস) কী মরুওইবা মীওই কয়ানা লুচিংবা টিম অমনা তাং ১৯-০৬-২০১৭ তা ইকায়খুম্নজরিবা সী এমগী সেক্রেটরিয়েটতা এদ্যুকেসনগী মরমদা য়াম্না কূপ্না খন্নবিদুনা অহেনবা থৌশিল থৌরাং কয়া পায়খৎনবা অমদি মদুদা মরু ওইনা থম্বীখিবা এদ্যুকেসনগী হীরমদা অৱাৎ অপা মেনশিন্নবা অৱাৎপা পৈশা অমা ফাওবা লৈহল্লোই হায়বা জাবেদকরগী ৱাঙাঙ মমাঙগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমা ফাওবনা ফোঙদোপীরম্বা ঐখোয়না তাখিবা থেংনখিবা লৈত্রি।

মমাঙগী লৈঙাক্লা এইদেদ স্কুলগী অনৌবা সেন্তরগী তরুকশুবা আর ও পি চৎহনবীয়ু হায়জবদা রাজ্যগী পৈশা লৈতে হায়বিবা, অদুগী মথক্তা মণিপুর লৈঙাক্লা চহী অহল ওইরবা মশাগী চহী ৬০ শুরবা অহলশিংদা য়াম্বা য়ামদবা পেন্সন খরা খরা পীবিদুনা ওল্ড এজ পেন্সন স্কিম চৎনরি। মসিদা চহী কয়ামুক চঙনা মহৈ তমদুনা মপূং ফাবা মহৈ মশীনগী মঙাল ফংলবদা এইদেদ স্কুলদা ওজা ওইদুনা হৈগ্রু মনাদা য়োম্বা তলবনা ৱানা পুন্সি খোঙচৎ অসিদা চৎলক্লবা লৈত-লায়র মহৈরোয় কয়া লন্নাইগী স্কুলদা তম্বা ঙমজহৌদ্রবা লায়রবগী চৈথেংনা য়ৈরবা মহৈরোয়শিংগী অৱাবা কোঙ্গাই খাঙদুনা মথৌ তৌজরক্লবা ওজাশিং অমদি লৈত-লায়র, মীচম মীয়ামগীদমক কথোক্লবা ওজাশিং হৌজিক পুন্সি নুমিৎ তাশিল্লক্তুনা মখল মখা কয়াগী অনাবা কয়া মশাগা লোয়নরবা মরাইবক থিরবা ওজাশিং অসিগী পেন্সন পীবিয়ু হায়জবদা মমাঙগী লৈঙাক্লা রাজ্যগী পৈশা লৈতে হায়দুনা থওইনা থম্বীরম্লবা ওজাশিংগী পেন্সনগী মতাংদসু অমদি অতোপ্পা মথক্তা পনজখিবা হীরম অতৈদসু অচৌবা মতেং পাঙবীরগনি হায়না এইদেদ ওজাশিংনা অচৌবা আশা অমা তৌজরিবা অসিদা নীংবা কায়হল্লোই হায়বসি আশা তৌজরি।

মসিবু ঙসিগী মীনুংশি লৈরবা লৈঙাক্লা তরাইনা লৌবিরোই খনজৈ। পূম্নমক অসিগী মথক্তা সেন্তরনা হিন্দিবু মরুওইবা বিষয় অমা ওইনা লৌবিদুনা পি এম ওফিসনা সেকেন্দরিগী হিন্দি পোষ্ট ১০০ রাজ্যগী লৈঙাক্লা ককথৎতুনা থম্বীখ্রবা অদুবু অমুক হিংগৎনবা হায়রকখ্রবদা মমাঙগী লৈঙাক্লা তাবিদ্রিবা অসিসু হন্দক্কী ইকায় খুম্নজরিবা জাবেদকরগী ৱাঙাঙ অসিনা অনৌবা আশাগী ময়োল চোঙহল্লগনি।

পূম্নমক অসিদগী অনৌবা এদ্যুকেসনগী মায়ওন অমা এইদেদ স্কুল অমদি কোলেজশিংবু অমুক্তং মথ্বায় হাপ্পীদুনা ঙসিগী মগুণ লৈবা মহৈরোয় পুথোকহন্দুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎপীয়ু হায়বা ৱাফম খরসি থমজরি।

*অদোমগী - এম থম্বৌ সিংহ*
*সেক্রেটরি, ককচীং খুনৌ মখা হায় স্কুল*

## মণিপুরদা য়ু শুংবা অমসুং মপান লমদা থাদোকখিনবগী মতাংদা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**অদোমগী** মফমদা ওল মণিপুর ৱিমেন'স সোসিএল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ) গী মহুৎ শিঞ্জরগা ৱাফম খরা খন্নবীনবা অমদি থবক ওইনা উৎপীনবা থমজরি মদুদি মণিপুরদা অনৌবা লৈঙাক অমা লাকপগা ইরোইননা অনৌবা মণিপুর অমা ওইহন্ননবা খোঙজেল য়াংনা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপীরকপা মণিপুর মীয়াম্না অমদি নুপী সমাজনা হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা লমদমসিবু তুংকোয়না চাওখৎপা, তংদু লৈতানা অমদি নুংঙাই-য়াইফনা লৈহৌনবা মখা তাবা থবক থৌদা কয়া পাঙথোকপীরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবসু থমজরি।

ইন্দিয়াগীদা নত্তনা মালেমগী লৈবাকশিংগী মমাঙদা মণিপুর হীরম কয়াদা মাঙজিল থাবা, তোমথিন ঙানবা থৌদোক ৱাথোক কয়ানা থল্লবা লমদম অমা ওইদুনা লাক্লি হায়বসি ককপা য়াদ্রবা ৱাফমনি। মণিপুর ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মরক্তা মখল মখা কয়াগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা মীশিং য়াম্না লৈবা, অদুগা মরী লৈনবা ৱাথোক-লান্থোক কয়ানা থল্লবা অমদি মদুগী মহয় ওইনা ঐচ আই ভি/এইদসনা নাবা মীশিং য়াম্না ৱাংনা লৈবা লমদম ওইরি। অমরোমদা মীশিং য়ামজদবা অমসুং পাক-চাউবা লমখৈগী শরুকসু য়াম্না পীকচবা লমদম অসি নিশাগী মিৎয়েংদা য়েংলুরবদি মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা মকোক থোংনা লৈবা লমদম অমা ওইরি। মদুদি লুপা লাক্ষ কয়া, ক্রোর কয়াগী খজিং ওইবা মখল মখা কয়াগী দ্রগশিং মোরে লম্বীদা, ইম্ফাল এয়রপোর্টতা অমদি তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ফাবগী ৱাথোক অমদি মদুদা য়াইতোং ফমদোংবা কয়া চেন্নবগী ৱাফম ইকায়খুম্নজরবা চীফ মিনিষ্টরনা হেন্না ময়েক শেংনা খঙবীরবনি।

অমরোমদা মণিপুর লৈঙাক্লা মমাঙথক্তা মণিপুর দ্রাই ষ্টেটনি হায়দুনা আইন কয়া পাস তৌদুনা শেমখিবা ৱাফম অমসুং আইন অদু লৈনা লৈনা মফম কয়াদা য়ু শুংবা-য়োনবা, থকপা অঙকপা ফংনা হেনগৎলক্তুনা লমদমসিগী ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিং, অহল লমন কয়া ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তা লুপ্তুনা লৈখিবা, মদুদগী থোরকপা চৈফু চৈথেংনা নুপী অঙাং কয়া ওৎপীবা নৈবীবা শোকহনবা অমদি হাৎতোকপীখিবা থৌদোক মশীং থিঙমদবমখৈ লমদমসিদা থোকখ্রে।

অদোম্না হেন্না খঙবীরবনি, দ্রাই ষ্টেটনি হায়দুনা লৈরবা লমদম অসিদা য়ু শুংবা, য়োনবা অমসুং থকপদি নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপা অমদি মখোয়দুগী মায়োক্তা মপূং ফানা অথিংবা থম্বা অমসুং চৈরাক পীবা ঙমদবা হায়বসি কনাগী মরালনো, কনাগী মথৌনো? মতাংসিদা লৈঙাক্লা মথৌ মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙমদ্রে হায়বসি য়াম্না ময়েক শেংই। ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবা লৈঙাক্কী মথৌনি। লৈঙাক্লা মপূং ফানা মথৌ পাঙথোকফম থোকই। হৌজিক চহী কয়া লিশাং শিৎনা লৈঙাক্লা মথৌ মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙমদনা লাক্লি। অদুবু ইকায়খুম্নজরবা চীফ মিনিষ্টরগী লৈঙাক্তি অচুম্বা মশক অসি মপূং ফানা পাঙথোক্তুনা মীয়ামগী থাজবা মাঙহল্লোই হায়বসি নুপী সমাজগী অচেৎপা থাজবনি।

পূম্নমক অসিবু মাংদা থমজরগা অদোমগী পূক্নিং ৱাখল চিংশিনজরি মদুদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা পীরকপা চৈফু-চৈথেংশিং অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবসি মপূংদা নুপী অমসুং অঙাংশিংনি। নুপী অমসুং অঙাংশিংদা শোকহল্লিবা অসিনা মরম ওইরগা কুমজা ১৯৭০ গী হৌগৎলকপা মতমদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবগী অচৌবা ঈহৌ লাকপগা ইরোয়ননা নিশাবন্দি হায়না ময়েক শেংনা খঙবীরিবনি। ঙসি ফাওবদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিরম্বী লাইওইখ্রবী ইমা মোমোন, চাওবী, ইন্দুনচিংবা মীওই কয়ানা লমজিংবীরম্বা, ফাৎপীরম্বা লিক্লম-লম্বী অদুগী খুদুং ইন্দুনা নুপী সমাজনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবগী মপূং ওইবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মসিমক্লা মতম অমগী নিশাবন্দি ঙসিগীনা মৈরা পায়বী ইমাশিংবু ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তগী লমদমসিগী নুপা, নহারোলশিং খরমখৈ কন্দুনা লাক্লি।

অসিগুম্বা তানফম অসিদা মীয়াম্না অচেৎপা থাজবা থম্লক্লিবা ঙসিগী লৈঙাক অসিনা মণিপুরদা য়ু শুংববু পূক্নিং থৌনা হাপচিন্দুনা য়ু শুংহন্নবা অদুগা শুংলক্লিবা য়ুশিংবুনা মপান লমদা থাদোকখিনবগী থৌজাল য়াৎলকপা নুপী সমাজনা অমদি মণিপুর মীয়াম্না অঙকপা ফাওই। মণিপুর নোংমা নোংমগী মীশিংদি হেনগৎলকপা, পোৎথোক পুথোকপদা লৌফমশিং নোংমা নোংমগী পীকশিল্লকপা অমদি পোৎথোক হন্থরকপদগী মীরমদগী পুশিল্লকপা সুপর ফাইন য়াওদ্রবদি হিংবা ঙমশিল্লক্ত্রবা মতমসিদা চাবা ফাওবা কোন্নজদ্রবা লৌফমদগী পুথোরকপা চেঙ খুজোক খরসিবু য়ু শুংহন্নবা পূক্নিং থৌগৎপা হায়বসি অরানবা থৌশিল ওইগনি। মণিপুর মীয়াম্বু চরম মেৎপা থৌশিলনি হায়দবা ঙল্লোই। লমদমসিগী পুথোকচরিবা ফৌ-চেঙ খুজোক খরসিবু য়ু ওইনা ওম্থোক্লগা পৈশা চাউনা তানবা ঙমগনি খনবা থৌশিল মীয়াম্বু হাৎনবা শিনবা থৌশিল ওইগনি। লৈঙাক্লা মমুৎ তানা পূক্নিং লৈতানা খনবা চঙই। ঙসিগী মীয়াম্না থাজবা থল্লিবা লৈঙাকসিনা অসিগুম্বা লমদমসিদা য়ু শুংলগা মীরমদা থাদোক্লগা অচৌবা শেনফম ফংগনি খনবা, থৌশিল পায়খৎপা অমদি থবক্তা ওম্থোকপা য়ারোই। মীয়ামগী মায়োক্তা ঙসিগী অনৌবা লৈঙাকসিনা থবক থৌরম অমত্তা পায়খৎলক্লোই হায়না নুপী সমাজনা চেৎনা থাজৈ। মদুগী ওন্না তৈনবদা মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বগী মায়োক্তা থবক থৌদাশিং পাঙলক্লবদি নুপী সমাজনা তোঙান তোঙানবা লূপশিং অমদি মীয়ামগা খূৎশম্নরগা মখা তাবা খোঙজং কয়া চথরক্কনি।

তংদু লৈতাবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা, য়োনবা, শুংবা লৈতবা লমদম অমা ওইহন্দুনা তিঞ্জং কায়জংদবা, মতিং লৈবা মীওইশিংনা থন্না লৈবা মণিপুর অমা ওইহন্নবা মীয়াম্না থাজনরিবা লৈঙাক অসিনা মথৌ মঙম পাঙথোরক্কনি হায়না মীয়াম্না অমদি নুপী সমাজনা থাজজৈ। মিৎয়েং অসিনা মাঙদা থম্লগা অদোমগী লিচিং মখাদা অচুম্বা থবক থৌদাংশিং পাঙথোরক্কনি হয়বগী থাজবা থমজরি। ময়াই কাবা চিঞ্জাক লৈতবা মণিপুর ওইহন্নবা অচেৎপা ফীরেপ লৌমিন্নদুনা অপূনবা থৌদাং লৌমিন্নরসি। ইকায়খুম্নজরবা চীফ মিনিষ্টরনা অচুম্বা খোঙথাংশিং লৌখৎলকপা মীয়াম্না অমদি নুপী সমাজনা খৌরাংনা ঙাইজরি।

*অদোমগী - টি ঐচ রমনি লৈমা*
*জেনরেল সেক্রেটরি*
*ওল মণিপুর ৱিমেন সোসিএল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ)*

**মরোল থোকপা লাই**

